# ইরানদা টর্কিশ প্লেন কায়বদা মীওই ১১ শিখ্রে, ন্যু য়োর্কতনা মীওই মঙা শিখ্রে



অঙ্করা, মার্চ ১২ (এজেন্সি): দুবাইদগী পাইরকপা প্লেন অমা ইরানগী চীংলত্তা কায়খিবদা ইনাক খুনবা টর্কিশ বিজনেসমেন অমগী মচানুপী য়াওনা মীওই ১১ শিরে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে। মরাইবক থীখ্রবা প্লেন অদু টর্কিশ বিজনেসমেন হুসেন বসারনগী প্রাইভেট হোল্ডিং কম্পেনিগীনি। প্লেন অদুদা তোংখিবা মীওইশিংগী মনুংদা মথং থাদা লুহোংনবা থৌরাং তৌরিবী বসারনগী মচানুপী মীনা (২৮) অমসুং মহাক্কী মমান্নবী তরেৎ য়াওরি। ক্রু মেম্বর ৩ অমসুং টর্কিশ ট্রান্সপোর্ট মিনিষ্ট্রিগী ওফিসল অমসু প্লেন অদুদা তোংখি হায়না রোইটর্জগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি। প্লেন কায়বগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা মীনাগী অপোকপা বসারন ট্রাবজোনস্পোর ফুটবোল ক্লবকী ডেপ্যুটি চেয়রমেন ওইবগা লোয়ননা বাহরেন মিদ্দল ইষ্ট বেঙ্ককী স্যেরহোল্ডর অমসু ওইরি। ইষ্টানবুলদা 'মীনা টাৱর্স' কৌবা এপার্টমেন্ট ব্লোক অমা য়াওনা তোঙান তোঙানবা কনষ্ট্রক্সন প্রোজেক্ট কয়াসু পায়খৎলি।

ত্বিটরদা থাদোরকখিবা ৱারোল অমদা টর্কিশ রেদ ক্রিসেন্টকী মকোক কেরেম কিনিকনা হায়খি, কায়খ্রবা জেট প্লেনগী অতেক-অকায় অমসুং থৱায় য়াওদ্রবা হকচাংশিং ফংবা ঙল্লে। প্লেন অদু খা নোংচুপ থংবা সহর - ঈ কোর্দ সিটি মনাক্তা কায়রগা তাশিল্লকখিবনি হায়না ইরানগী সিভিল এভিয়েসন ওর্গনাইজেসনগী স্পোক্সমেন রেজা জফরজাদেনা ফোঙদোকখি। অমরোমদা, ন্যু য়োর্ককী ইষ্ট রিভর মনাক্তসু হেলিকোপ্টর কায়বগী থৌদোক অমদা মীওই মঙা শিখ্রে। রুজবেল্ট আইলেন্দ মনাক্তা হেলিকোপ্টর কায়বগী থৌদোক অদু থোকখিবনি হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, কুমজা ২০১৪ গী ফেব্রুৱারি ১৬ তসু কাথমন্দুদগী জুমলা সিটি তম্না পাইখিবা নেপাল এয়রলাইন্সকী প্লেন অমা কায়খিবদা মীওই ১৮ শিবা লৈখ্রবনি। নোং-চীংগী ফিভম ফত্তবনা উবা ঙম্বগী চাং হন্থরকপা মরম্না নোংচুপ থংবা নেপালগী উমং অমদা প্লেন কায়বগী থৌদোক অদু থোকখিবনি হায়না ত্রিভুবন ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টকী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

# টালিবান মিলিটেন্টশিংনা নোংচুপ থংবা অফঘানিষ্টানগী ডিষ্ট্রিক্ট ১ খুদুম চনবা ঙমখ্রে



কাবুল, মার্চ ১২ (এজেন্সি):

সিকুরিটিগী ফিভম শোকচিল্লকখিবগা লোয়ননা নোংচুপ থংবা অফঘানিষ্টানদা টালিবাননা ডিষ্ট্রিক্ট অমা খুদুম চনবা ঙমখ্রে। ইরানগা লোন্নবা ফারাহ ডিষ্ট্রিক্টতা অফঘান সিক্যুরিটি ফোর্সেসকী পর্সনেল কয়া অশোক-অপন নংবগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুংদা টালিবাননা অনারদারাহ ডিষ্ট্রিক্ট খুদুম চনখিবনি হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি।

ওষ্ট্রেলিয়ানা লান্মী কয়া থাজিন্নবা থৌরাং লৌখৎপা লৈখ্রবসু লাক্কদৌরিবা মতম খরগী মনুংদা অফঘানিষ্টানদা সিক্যুরিটিগী ফিভম কা হেন্না শোকচিল্লক্লগনি হায়না অফঘান অমদি নোংচুপলোমগী ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি। অফঘান গভর্নমেন্টনা ইং-তপ্পা ফিভম হঞ্জিলহন্নবগী মতাংদা নাকল অনী য়াশিন্নবা পুরক্লবা থৌরাং লৌখৎপদা টালিবান ফাইটরশিংনা থৱায় য়াওবগী মওং অমত্তা উৎলকপা লৈত্রি।

ফারাহ প্রোভিন্সিয়ল কাউন্সিলগী মেম্বর দাদুলা কানিনা হায়খি, মমাঙদা ইং-তপ্পা মফমনি হায়না লৌনরম্বা অনারদারাহ ডিষ্ট্রিক্টতা টালিবান ফাইটর কয়া চঙলকখিবগা লোয়ননা ডিষ্ট্রিক্ট অদুদা লৈবা গভর্নমেন্টকী কম্পাউন্দ কয়ামরুম খুদুম চনশিনখি। ডিষ্ট্রিক্ট গভর্নরগী কম্পাউন্দ অমদি পুলিস হেদক্বার্টরসু টালিবাননা খুদুম চনখি। নাকল অনীগী মরক্তা মীশি মীনা য়াওবা তারবসু চপ-চানা মীওই কয়া শিখ্রবগে হায়বা হৌজিকমক্কী ওইনা পাউ ফংবা ঙমদ্রি হায়না গভর্নরগী স্পোক্সমেন মহমদ নাসির মেহরিনা ফোঙদোকখি। মহাক্না হায়খি, মফম অদুদা খোঙমী লান্মী অমসুং লানগী প্লেন কয়া থাজিনখিবগা লোয়ননা টালিবান ফাইটরশিং মায়োক্নবা থৌরাং লৌখৎপা হৌরে।

হন্দক মরক টালিবাননা মরুওইবা মফম কয়া খুদুম চনখিবগা লোয়ননা ফারাহ প্রোভিন্সসু মিলিটেন্ট গ্রুপ অসিনা লৌশিনখ্রগদ্রা হায়না মীপাইবা পোক্নখিবনি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী ডিপার্টমেন্ট ওফ ডিফেন্সনা থাদোরকখিবা রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না অফঘানিষ্টানগী অপূনবা ডিষ্ট্রিক্ট ৪০৭ কী মনুংদা টালিবান মিলিটেন্টশিংনা চাদা অহুম খুদুম চনশিনবা ঙমখ্রে হায়রি।

# মৈ থাদোকখ্রবা রোহিঙ্গাগী লমদা ম্যান্মারনা সিক্যুরিটিগী ইনষ্টোলেসন শেমগৎলে : এমনেষ্টি

য়াঙ্গোন, মার্চ ১২ (এজেন্সি): ম্যান্মারনা মৈ থাদোকপীখ্রবা রোহিঙ্গাগী খুঙ্গংশিংদা সিক্যুরিটিগী ইনষ্টোলেসন কয়া শেমগৎলক্লে হায়না এমনেষ্টি ইন্টরনেসনলনা ফোঙদোকখ্রে। থৌওং অসিনা মরম ওইরগা রেফ্যুজী লীশিং চা কয়া মরৈবাক্তা হলহন্নবগী থৌদাং মায় পাক্তবগী ফিভম লৈরে।

থা তরুক্কী মমাঙদা ম্যান্মারনা অৱাং থংবা রখাইন ষ্টেটতা রোহিঙ্গা মুস্লিমশিংগী মথক্তা কেম্পেন চথবা হৌখ্রবা মতুংদা ফুরুপ অসিগী মীওই লাখ ৭ রোম বাংলাদেশতা চেনশিনবা লৈখ্রবনি। ম্যান্মারনদি মমাঙ চহীগী ওগষ্ট থাদা অরাকান রোহিঙ্গা সালভেসন আর্মিনা চথুরকখিবা এটেকশিংগী পাউখুম পীবা ওইনা সিক্যুরিটিগা মরী লৈনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপনি হায়না ফোঙদোকখি।

এমনেষ্টি ইন্টরনেসনলগী রিপোর্টনা হায়খি, চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তগী রখাইন ষ্টেটতা ম্যান্মার মিলিটরিনা অনৌবা ইনষ্টোলেসন কয়া শেমগৎলকপগী থৌওং অসি নমদুনা লম লৌশিনবনি হায়না লৌবা য়াই। রোহিঙ্গা মুস্লিমশিং অমুক হন্না কৌশিন্দুনা লৈহন্নবা থৌরাং তৌরিবা মফম অমদা মিলিটরি ইনষ্টোলেসন কয়া শেমগৎলকপনা মালেমগী মীয়াম্না রেফ্যুজীগী ৱাথোক লোইশিলহন্নবগী মতাংদা লৌখৎলিবা থৌরাংদা অপনবা পীরগনি হায়না এমনেষ্টি ইন্টরনেসনলগী ডিরেক্টর (ক্রাইসিস রেস্পোন্স) টিরানা হসননা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি। মহাক্না হায়খি, রোহিঙ্গা মুস্লিমশিংনা লৈরম্বা য়ুম কয়া মিলিটরিনা মাঙ-তাকহনবগী থৌওং লেপ্তুনা চথুরি। রোহিঙ্গাগী লমদা হেলিপেদ, সিক্যুরিটি ফোর্সেসকী লৈফম অমসুং লম্বী কয়া শেমগৎলক্লে। রখাইনগী মোংদো টাউনদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসকী অনৌবা বেজ অমা শেমগৎপসু সেটলাইটকী মতেংনা উবা ফংলে হায়না এমনেষ্টিনা ফোঙদোকখি। জন্যুৱারি থা লোইশিল্লকপদা ম্যান্মার অমসুং বাংলাদেশনা রোহিঙ্গা রেফ্যুজীশিং মরৈবাক্তা হলহন্নবা থৌরাং অমা লৌখৎপা লৈখ্রবনি।

# ইরাননা পাউমী ওৎ-নৈবগী মতাংদা বি বি সীনা য়ু এনদা ৱাকৎখ্রে

*লন্দন, মার্চ ১২ (এজেন্সি):*

*ইরানিয়ন ওথোরিটিশিংনা লৈবাক অদুদা মথৌ তৌরিবা পাউমী কয়া ওৎ-নৈবগী থৌওং চথুরকখ্রবা মতুংদা বৃটিশ ব্রোদকাষ্টিং কোর্পোরেসন (বি বি সী) না কোর্পোরেসন অসিগী পাউমীশিং ঙাকপী-শেনবীনবা য়ুনাইটেদ নেসন্সতা ৱাকৎখ্রে।*

*বি বি সীগী ডিরেক্টর জেনরেল টোনি হোলনা থাদোরকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি, পাউমী ওৎ-নৈবগী থৌওং লেপ্পীনবা ইরানগী ওথোরিটিশিংদা কয়ারক হন্না হায়জবদা তাবীখিদবা মরম্না য়ুনাইটেদ নেসন্সতা ৱাকৎনবা ফিরেপ লৌখিবনি।*

*হৌখিবা চহী ৯ গী মনুংদা বি বি সী পর্সিয়ন সর্ভিসকী জর্নেলিষ্টশিং অমসুং মখোয়গী ইমুং-মনুংগী মীওইশিং ইরানগী ওথোরিটিশিংনা ওৎ-নৈবগী থৌওং চথুখি। বৃটেনগী ফোরেন সেক্রেটরি বোরিস জোন্সননা পাউমী ওৎ-নৈবগী ৱাফম অসি হৌখিবা ডিসেম্বর থাদা পুখৎতুনা ইন্টরনেসনল কম্যুনিটিগী মীৎয়েং চিংশিনবা লৈখ্রবনি।*

*কুমজা ২০০৯ দা সেটলাইট টি ভি ষ্টেসন লোঞ্চ তৌখ্রবা মতুংদা বি বি সী ৱর্ল্ড সর্ভিসকী শরুক অমা ওইরিবা বি বি সী পর্সিয়নদা থবক তৌবা পাউমী অমদি মখোয়গী ইমুং-মনুংগী মীওই কয়া ইরানদা ওৎ-নৈবগী থৌওং চথুদুনা লাকখি। মমাঙ চহীদা ইরানগী নেসনল সিক্যুরিটিনা বি বি সী পর্সিয়নগী ষ্টাফ ১৫২ গী মরল-মথুম ফাজিনখিবগা লোয়ননা মীওৎ-মীনৈ চথুরকখ্রবা মতুংদা কোর্পোরেসন অসিনা ইরানিয়ন ওথোরিটিদা পাউমী ওৎ-নৈবগী থৌওং লেপ্পীনবা কয়ারক হন্না তকশিনবা লৈখ্রে।*

*বি বি সীগী রিপোর্ট অমনা হায়খি, ইরানদা মথৌ তৌরিবা কোর্পোরেসন অসিগী পাউমী অমদি মখোয় মখোয়গী ইমুং-মনুংগী মীওই কয়া ফাজিনবগা লোয়ননা পাসপোর্ট মুনবা অমদি চৎথোক-চৎশিন তৌবা য়াহন্দবগী থৌওং চথুরকখি। কুমজা ২০০৯ দা প্রসিদেন্ট মহমদ অহমদিনেজাদনা মীখলদা অমুক হন্না মায় পাকখ্রবা মতুংদা বি বি সীনা অরানবা পাউ কয়া শন্দোক্তুনা লৈবাক ঈরাং হৌহন্নবা হোৎনৈ হায়না ইরাননা মরাল শীখি।*

*ওল্লকপা চহীদা ইস্লামিক রিপব্লিক অসিনা বি বি সী অমদি মপান লৈবাক্কী ওর্গনাইজেসন কয়ামরুমগা হীরম অমত্তদা মরী থম্নবা য়ারোই হায়না ইরানিয়নশিংদা খঙহনখি। হীরম অসিগী মতাংদা বি বি সীনা ইন্টরনেসনল ফেদরেসন ওফ জর্নেলিষ্টতা ৱাকৎপগা লোয়ননা জেনেভাদা পাঙথোক্কদৌরিবা য়ু এন হ্যুমেন রাইটস কাউন্সিলগী ৩৭ শুবা মীফমদা ৱাফম অসি পুখৎনবা থৌরাং তৌরি। ইরাননা প্রেসকী নীংতম্বদা খুৎ থিংজিনবগা লোয়ননা বি বি সী পর্সিয়ন টেলিভিজনদা থবক তৌবা পাউমীশিংগী ইমুং-মনুং অমসুং মরী-মতা কয়াদা কিহনবগী থৌওং চথুদুনা লাকখিবনি। ন্যুজ চেন্নেল অসিদা থবক তৌবা ইরানিয়ন ষ্টাফ ১০ গী ইমুং মনুংদা কিহন-খংহনবগী থৌওং চথুরক্লে হায়না ৱাকৎপা লৈখ্রবনি।*

# রসিয়ানা কিনঝাল হাইপরসোনিক মিসাইল চাংয়েং তৌখ্রে



মোস্কো, মার্চ ১২ (এজেন্সি):

থা অসিগী অঙনবা শরুক্তা রসিয়ন প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিননা অনৌবা মতমগা চানরবা খূৎলায় কয়ামরুম মায়খুম হাংদোকখিবগা লোয়ননা ঙসি হাইপরসোনিক মিসাইল অমা মায় পাক্লা চাংয়েং তৌখ্রে।

ডিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা হায়খি, খা থংবা মিলিটরি ডিষ্ট্রিক্টতা সুপরসোনিক ইন্টরসেপ্টর জেট মিগ-৩১ দগী কিনঝাল (দেগর) মিসাইল কাপ্তুনা মায় পাক্লা চাংয়েং তৌখিবনি। মিসাইল অদুনা টার্গেটতা চপ চানা পালহনবা ঙমখি। পাইলোট অনীনা মিসাইল য়াওবা জেট অমা পাইরুরগা হল্লকপগী ভিদিও ফুটেজ ডিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা থাদোরকখি।

মার্চ ১৮ দা পাঙথোক্কদৌরিবা প্রসিদেন্ট খনবগী মীখল মমাঙদা ৱ্লাদিমির পুটিননা মায়খুম হাংদোক্তুনা মীয়ামদা উৎখিবা অনৌবা মতমগা চুনরবা খূৎলায় কয়ামরুমগী মনুংদা কিনঝাল মিসাইলসু অমনি। খোঞ্জেলগী অয়াঙবদগী শরুক ১০ হেন্না য়াঙনা পাইবা ঙম্বা হাইপরসোনিক মিসাইল অসিনা পালহন্নিংবা টার্গেটতা চপ চানা পালহনবা ঙম্মী হায়রি।

অনৌবা মখলগী মিসাইল অসি ডিসেম্বর ১ দগী হৌনা সাউদর্ন মিলিটরি ডিষ্ট্রিক্টতা ডিপ্লোই তৌখি। ডেপ্যুটি প্রাইম মিনিষ্টর দমিত্রি রোগোজিননা হায়খি মদুদি মিসাইল অসি পুথোক-পুশিন তৌবদা খুদোংচানবগীদমক তোপ-তোপ্পা মখলগী মিগ-৩১ সুপরসোনিক জেট মখল অমা শেমগৎনবা থৌরাং তৌরি।

অমরোমদা, প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিননা প্লেন অমা কাপথনবা য়াথং পীখি হায়না ফোঙদোকখ্রে। কুমজা ২০১৪ গী ওলিম্পিক হৌরমদাইদা প্লেন অমা হাইজেক তৌখ্রে হায়বগী পাউ হেক ফংবগা খুদক্তা মহাক্না প্লেন অদু কাপথনবা য়াথং পীখিবনি হায়রি। রিপোর্ট অমনা হায়খি, পিগাসস এয়রলাইন্সকী প্লেন অমা খারকিবতগী ইষ্টানবুল তম্না পাইখ্রগা খা থংবা রসিয়ারোমদা ওইনা পাইশিল্লক্লে হায়বা পাউ ফংবদগী পুটিননা প্লেন অদু কাপথনবা য়াথং পীখিবনি।

# কেম্পসতা খুদোংথীবা থোকহন্দনবগীদমক হ্বাইট হাউসনা স্কুলগী ষ্টাফ খূৎলায় পায়হনবদা মতেং পাংগদৌরি



ৱাশিংটন, মার্চ ১২ (এজেন্সি):

ফ্লোরিদাদা মীওই ১৭ হাৎপগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুংদা স্কুলগী ইমপ্লোয়ীশিং খূৎলায় পায়হন্নবা থৌরাং লৌখৎলকপা ষ্টেট খূদিংমক্তা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকী এদমিনিষ্ট্রেসননা মতেং পাংগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে। এদ্যুকেসন সেক্রেটরি বেটসি ডিভোসনা পাউমীশিংদা হায়খি, স্কুলদা খুদোংথীবা থৌদোক অমত্তা থোকহন্দনবগী পান্দমদা স্কুলগী ষ্টাফ মেম্বর খরা খূৎলায় পায়হন্নবা থৌরাং লৌখৎলকপনি।

মমাঙ থাদা ফ্লোরিদাগী মারজরি ষ্টোনমেন দোগ্লাস হায় স্কুলদা মহৈরোয় ১৪ অমসুং ষ্টাফ ৩ নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎপগী থৌদোক অমা থোকখ্রবা মতুংদা ফ্লোরিদা ষ্টেটতা অনৌবা লেজিসলেসন অমা পাস তৌদুনা নোংমৈ লৈবা য়োনবগী কাংলোন শেমদোকপা লৈখ্রবনি।

স্কুলগী ষ্টাফ মেম্বরশিং নোংমৈ পায়হন্নবগী থৌরাং অসি মরম চাদে হায়না সিনেট ডেমোক্রেটিক লীদর চক স্কুমরনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা মহাক্না হায়খি, মহৈ-মশিন তাকপী তম্বীদুনা অঙাংশিংবু তুংগী অচঙবা মীশক অমমম ওইহন্নবা থৌরাং লৌখৎকদৌরিবা স্কুলদা ষ্টাফ মেম্বরশিং খূৎলায় পায়হনবা হায়বসিনা মহৈরোয়শিংগী ৱাখলদা চাওনা অকায়বা থোকহল্লকপা য়াই।

পনবা য়াবদি ফ্লোরিদানা অনৌবা লো অমা পাস তৌখ্রবা মতুংদা নেসনল রাইফল এসোসিএসননা ষ্টেট অসিগী গভর্নর রিক স্কোটকী মথক্তা কেস অমা ফাইল তৌবা লৈখ্রবনি। নোংমৈ লৈবা য়াবগী চহী মতাং হেনগৎহন্নবা বিল অমা গভর্নরনা অয়াবা পীদুনা লো ওইহনখ্রবা মতুংদা নেসনল রাইফল এসোসিএসননা কেস ফাইল তৌখিবনি।

HL-B/4528/13

राष्ट्रीय नाट्य विद्यालय
NATIONAL SCHOOL OF DRAMA
(An Autonomous institution of the Ministry of Culture, Govt. of India)
Presents
OLYMPICS
8 থিয়েটর ওলিম্পিক্স
THEATRE OLYMPICS
ফেব্রু ১৭-এপ্রিল ৮, ২০১৮

ইম্ফাল : মার্চ ১৬-২৪ গী প্রোগ্রাম সেদ্যুল
FLAG OF FRIENDSHIP मित्रता का ध्वज

| দ শ্রাইন প্লেহাউস কোরস রেপর্টরি, নুংথিল পুং ৪ | | দ শ্রাইন প্লেহাউস কোরস রেপর্টরি, নুংথিল পুং ৪ | |
|---|---|---|---|
| ইরাই ১৬ | অন্দ্রৈবী পার্ফোর্মেন্স ইনস্টিটেসননা<br>বিশাদ কাল<br>দির.: প্রোবির গুহা<br>গ্রুপ : ওল্টরনেটিভ লিভিং থিয়েটর, কোলকটা<br>লোন : লোনয়াম, মতম : পুং ১ মিন ৫০ | য়ুমশকৈশা ২১ | কিটচন পোইমস<br>দির.: নৌশিল মেহতা<br>গ্রুপ : অন্তর্যা ফিল্ম এন্দ থিয়েটর হাউস, বেঙ্গলুরু<br>লোন : ইংলিস, মতম: পুং ১ মিন ১০ |
| থাংজ ১৭ | য়ুদধানিটি<br>দির.: য়োগেশ সোমান<br>গ্রুপ : সানেহ, পুনে<br>লোন : মারাথি<br>মতম : পুং ১ মিন ৩০ | শগোলশেন ২২ | সী শার্প সী ব্লন্ট<br>দির.: সোফিয়া ষ্টেফ<br>গ্রুপ : ফিনৱার্ক্স, বেঙ্গলুরু<br>লোন : ইংলিস<br>মতম: পুং ১ মিন ১৫ |
| নোংমাইজিং ১৮ | জেল হাউস<br>দির.: ভিনিসিঅস পৈদাদে<br>গ্রুপ : ভিনিসিঅস পৈদাদে'জ রেপর্টর, ব্রজিল<br>লোন : পোর্ট্যুগিজ<br>মতম : পুং ১ মিন ১৫ | ইরাই ২৩ | ব্যাটিক্রোম<br>দির.: রুদ্রপ্রসাদ সেনগুপ্তা<br>গ্রুপ : নন্দিকর, কোলকটা<br>লোন : বেঙ্গালি<br>মতম: পুং ১ মিন ৫০ |
| নিংথৌকাবা ১৯ | পসন্দা পলাভুতা<br>দির.: মনোজ পাট্টানাইক<br>গ্রুপ : মানানা নাত্য সনস্থা, ওদিষা<br>লোন : ওদিয়া<br>মতম : পুং ১ মিন ১৫ | থাংজ ২৪ | মেকবেথ<br>ডিরেক্টর : রতন থিয়াম<br>গ্রুপ : কোরস রেপর্টরি থিয়েটর, ইম্ফাল<br>লোন : মণিপুরী<br>মতম: পুং ১ মিন ৪০ |
| লৈবাকপোকপা ২০ | টোমার অমি<br>দির.: অমিতাভা দট্টা<br>গ্রুপ : গনাকৃশতি, কোলকটা<br>লোন : বেঙ্গালি<br>মতম : পুং ২ | | @8thTO2018India<br>/@8thto2018india<br>/@8thto2018india<br>8th Theatre Olympics 2018 India |

राष्ट्रीय नाट्य विद्यालय
নেসনল স্কুল ওফ দ্রামা
মীদিয়া পার্টনরশিং

বাহাৱালপুর হাউস, ভাগৱান্দাস রোদ, ন্যু দিল্লি ১১০০০১
পি : ৯১ ১১ ২৩০৭৩৬৪৭, ২৩৩৮৭১৩৭ ঈ : festivalcell@nsd.gov.in

খঙজিনগদবা : টিকেট : লুপা ৫০/- | মার্চ ১৩, ২০১৮ দগী https://insider.in দা টিকেট ফংগনি | খুদক্কী বুকিংদি লৈরিবা টিকেটকী ফিভমগী মতুং ইন্না সো হৌগদবা পুং অনীগী মমাঙদা থিয়েটরদা ফংগনি | চহী ৮ গী মখাগী অঙাংশিং চঙহল্লোই | চাবা, থকপা, ফোটো কাপ্পা অসিনচিংবা য়ারোই। হেন্দবেগশিং সিক্যুরিটিনা চেক তৌগনি।

টিকেট ফংফম
TICKETS ON INSIDER.IN

মখা তাবা ঈ-পাউগীদমক : ফোন. ৯৮৫৬১৪৩৪৫৬, ৮৭৩২০১৬০৬১, ঈ : chorus_repertorytheatre@yahoo.co.in, crtshrine@gmail.com কোরস প্রিফেকচর, উরিপোক কাংচুপ রোদ, ইম্ফাল ৱেষ্ট, মণিপুর